হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

চাংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ কাটরশিং য়ৌগদবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি)গী অনীশুবা ফেজগী ওইনা বস সর্ভিস চীফ মিনিষ্টরনা লমথাবা

লামায় ১

শৈরাংবশিংগী অপুনবা লুপ মণিপুরনা শীন্দুনা মেরা থানিলগী নুমিদাংৱাইরম অমা হায়না মিংথোনবা শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ৩

য়ু এন ঈ এস সী ও, মাইচৌ নীংশিং লূপনচিংবনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মেরা হৌ চোংবা অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স দে ২০১৮ গী থৌরম

লামায় ৩

ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরনা শীন্দুনা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকপা অনীরকশুবা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.212 শগোলশেল, মেরা ১৬নি পানবা, অপুনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, October 25, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৬.৮২
দিজল : লিটরদা লুপা ৭০.৩৭

কাপশিনবদা অমা শিরে, অমা শোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ : চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোলচাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শালোন পোষ্টতা লৈবা ১৯-অসাম রাইফলসগী পর্সনেল অমনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পানবদগী রাইফলমেন অমা শিরে। অতোপ্পা পর্সনেল অমনা শোক্লে। থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা এ আরগী রাইফলমেন অদুগী মমিং লালনৈলিয়ানা (৩৮) অপোকপা লালিয়ান মোই কৌই। মহাক মিজোরামগী দুরতাং খুলদগীনি। অশোকপা অদুগী মমিংনা রাজেস চকমা কৌই। মহাক্না কোক্তা খেৎলগা চৎখিবনি হায়রি। থৌদোক অদু পর্সনেল অদুনা শোয়বদগী নোংমৈ কাপথোরকপ্রা নৎত্রগা অতম্বনা নোংমৈ কাপথোরকপ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

নুপী অনী শিরল্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ : শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকাইদগী নোংমাইথেম নিংঙোল মৈস্নাম ওংবী তম্ফাইবেম্মা (৩৬) মপুরোইবা এম রোবি কৌবা অমা মহাক্কী তুম্ফম কাগী সিলিং ফেনদা ফি অমনা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে। লৈখিদ্রবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। অমরোমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্বাক্তাদা লৈবী সবনম বেবি (২২) কৌবী নুপী অমা মশাগী য়ুমগী ইস্কোলদা হৌবা উপাম্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.512105
US Dollar	73.201319
British Pound	94.542917
Australian Dollar	51.918976
Chinese Yuan Renminbi	10.544974
Japanese Yen	0.650097
Malaysian Ringgit	17.568880
Australian Dollar	51.918976
Singapore Dollar	53.045291
South Korean Won	0.064556
Saudi Arabian Riyal	19.520352
Thai Baht	2.225623
Myanmar Kyat	0.04632
Bangladesh Taka	0.87364

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 32491.98
Mumbai	–	Rs 33422.46
Delhi	–	Rs 33208.56
Kolkata	–	Rs 33508.02

HL POLL

Q : Electric pibagumna N Biren gi chahi 5 gi leingak matamda mee-yamda eshing fanghanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lagao sannaba thingnaba IW ki DM na thokpa yathang asi police na thabak ta onthokpa ngamgadra?

Yes 10% No 90%

অস! লোইরেহে!

থাগী পেন্সন লুপা ২০০দি য়াম্মন্দে!

ꯊꯥꯒꯤ ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯨꯄꯥ ꯲꯰꯰ꯗꯤ ꯌꯥꯝꯃꯟꯗꯦ!



ইমা, মদুগী শেলদু পেন্সন নত্তে, বিরি থক্নবা শেলনি খন্দোকপীয়ু...!

ꯏꯃꯥ, ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯁꯦꯜꯗꯨ ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯅꯠꯇꯦ, ꯕꯤꯔꯤ ꯊꯛꯅꯕꯥ ꯁꯦꯜꯅꯤ ꯈꯟꯗꯣꯛꯄꯤꯌꯨ...!

চীংবুরোয় তম্বুরোয়শিং পোৎলান্নখ্রে, মচিন-মনাও ওইবগী মরী নীংশিংনখ্রে

চীং-তমগী লীপূন শাগৎসি : সী এম

ফুরুপশিংগী অপূনবা কুম্হৈ ওইরিবা মেরা হৌ চোংবনা মচিন-মনাও ওইবগী শক্তম তাক্লি : লৈশেম্বা সনাজাওবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওন মেরা হৌ চোংবনা শীন্দুনা ঙসি চীংবুরোয় তম্বুরোয়শিং পোৎলান্নদুনা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মচিন-মনাও ওইবগী মরী নীংশিংখ্রে।

মেরা হৌ চোংবা থৌরমগী হৌরকপদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা সনা কোনুংদগী মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লুচিংদুনা খোঙচৎ অমা কংলা তম্না লাকখি। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাকপশিং, চীফশিং, কলচরেল ট্রুপশিং অমদি থাঙ-তাগী থৌগলগা লোয়ননা লাক্তুনা পাথাং-পূথাং কায়দনা চথুরকপা সনা কোনুংগী মশিল কংলাদা পাঙথোকখি। নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা কংলা উত্রাদা থুংলবা মতুংদা লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

নিংথৌ সনাজাওবনা কংলা উত্রাদা মেন তোংখি। তুংদা মেরা থাউমৈ থানখি। লাইথৌগী পরম অমা ওইনা

মৈদিংঙুগী মমাংদা কংলা উত্রাদা য়েনখোং তমদুনা লৈবাক্কী ওইবা খূদম চাংদম্বগী থৌরম পাঙথোকখি। য়েনখোং তমখিবা কবুই অমাইবা মলাংমৈ তোমপোক ৱাঙ্গৈই তরুং খুনদা লৈবনা ফোঙদোকখিবদা, য়েনখোং তম্বা অসি খোঙ য়েৎনা নম্মী। খোং য়েৎনা নম্বা মরম্না অফবা ওই। ৱাৎত-পাদবা লৈবাক মরা তপ্পা পানগনি হায়না ইনিংথৌদা হঙ্গৎতুনা লাউথোকখি। নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মেরা থাউমৈসু চুখৎখি।

নুংথিল পুং ১ তাবদা মেরা হৌ চোংবগী মখা তাবা থৌরমশিং কংলা উত্রা মমাংদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ গেষ্ট অমদি মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, মেরা হৌ চোংবগী মরুওইবা অসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ষ্টেট লৈঙাক্লা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি ষ্টেটকী থাক্তা মমাং চহীদগী পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। হৌ চোংবগী ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিসু পর্মেনেন্ট বোদি ওইনা থম্লগনি। ইপা-ইপূ হাক্তক্তগী লৈরক্লিবা ৱারী শীংবুল কয়া অসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। হৌগৎলক্লিবা ঙসিগী মীরোলশিংনা পুৱারীগী ওইবা ফজরবা ৱারী শীংবুলশিং অসি খঙমিন্নবা চঙই। মেরা হৌ চোংবনা চীং-তমগী অপুনবগী লীপূন শাগৎলি।

লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চীং-তমগী অমত্তা ওইবগী লীপূন শাগৎসি। ইনিংথৌ কয়ানা পাল্লন্নবা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় ঙসি মালেমগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

‘তমেংলোং অমসুং মোরে হেলি সর্ভিস ওক্টোবর ২৯ দগী লৈরগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবগী হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৯ দগী মোরে অমসুং তমেংলোংদসু হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি)গী অনীশুবা ফেজগী ওইনা অনৌবা রুট ৭ তা বস সর্ভিস হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিং তোঙান-তোঙানবা রুট ৬ তা হান্নগা নীংথিনা সর্ভিস তৌবা হৌখ্রে। মসিগী মতুংদা ঙসি অনীশুবা ফেজগী ওইনা বস সর্ভিস অসি হৌদোকপনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা বস সর্ভিস লৈরকপা অসিনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা য়াম্না খূদোংচাবা ওইহল্লে। বস সর্ভিস তৌরিবা দ্রাইভর অমদি হেন্দি-মেননচিংববু ইকায় খুম্ননা লোয়নবীয়ু। মখোয়না লম্বীশিং অসিদা গাড়ী থৌদুনা মীয়াম্বু পুথোক-পুশিন তৌরিবনি।

চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা ট্রান্সপোর্টেসনগী থবক অসি নীংথিনা পায়খৎনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলি। ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌখ্রবা মতুংদা তমেংলোং অমসুং মোরেদসু থা অসিগী ২৯ দগী সর্ভিস লৈরগনি। মসিগীদমক ট্রাইএল অমা থা অসিগী ২৫ দা তৌরগনি। লাক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা অসিগী য়েংলগা জিরিবামগী হেলিকোপ্টর সর্ভিস অসি নবেম্বর ৭ তগী ১০ ফাওবা সর্ভিস তৌগনি।

এম এস টিগী বস সর্ভিস অসি লাকপনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী মীওইশিংনা চৎথোক-চৎশিনদা খূদোংচাবা কয়া ওইহল্লি। ঙসি হাংদোক্লিবা রুটশিংদি ইম্ফাল-জেসামি, ইম্ফাল-খৌপুম, ইম্ফাল-নুংবা, ইম্ফাল-কামজোং, ইম্ফাল-তমেংলোং, ইম্ফাল-তামৈ অমদি এয়রপোর্ট এক্সপ্রেস (আই এস বি টি টু ইম্ফাল এয়রপোর্ট)নি।

হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা হেলিকোপ্টর নোং য়ুই হায়না পাউচেদা হাপ্পরকপা থেংনখি। পাউ অদু হাপত্রিঙৈগী মাংওইননা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌরিবা ওঠোরিটিগসু পাউ ফাওনরগা নাকল অনীমক্কী ৱাফমশিং হাপ্পা ওইরল্লবদি ফগদবনি। তশেংবদি নোং য়ুবা ওইরমখিদে। হেলিকোপ্টরদা নোং য়ুই হায়বসি মফম অমত্তদা তাদে। পংখাদা পকপা ঈশিং নৎত্রগা এ সীগী ঈশিংগুম্বা মরিক চোংলম্বা ওইরম্বা য়াই। নোং য়ুবদি নত্তে। হেলিকোপ্টর পাইরিবশিং অদুসু মীওইবনি। খূদোংথীগদবা ফীভমদা মখোয়সু হেলিকোপ্টর পাইনিংলোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলকপগা লোয়ননা এম এস টিগী বস সর্ভিসকী রুটসু মশীং হেনগৎলক্লি। চীং-তম অনীমক থোং মান্নগা চাউখৎহন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা থবক পায়খৎলকপনি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ট্রান্সপোর্ট কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ১ অসিদা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টনা লুপা ক্রোর ১.৬৩ রোম তানবা ঙমখি। অদুবু, থাউগী অমদি সর্ভিস তৌরিবশিংগী তোলোপনচিংবা পীবদা এক্সপেন্দিচর য়াম্না চৎপনা শেল য়াম্না লেম্বদি ঙমদ্রি। এম এস টি সর্ভিস অসিদি শেন্দোংগী খল্লগা চল্লাইবা নত্তে। মীয়ামগী সর্ভিস ওইনা চল্লাইরিবনি। বস ১২ অমসু নৌনা হাপচিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখো, চ্যেরমেনশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

সঙাই ফেষ্টিবেলদা শীজিন্ননবা পান্থোইবী হাওজিংনা সী এমদা লাখ ৫গী শেনফম কৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরমদা শীজিন্ননবা পান্থোইবী হাওজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম কৎখ্রে।

শেনফম অদু ঙসি পান্থোইবী হাওজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ হেমোনা চীফ মিনিষ্টর মশামক্তা খুৎশিন্নখি। টুরিজমদা মীৎয়েং থম্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক স্পোন্সর তৌবা অহানবা কম্পেনি পান্থোইবী হাওজিংনা ওইরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মদুগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাং পীরকপগীদমক্তা নুংঙাইবসু ফোঙদোকখি। পান্থোইবী হাওজিং কম্পেনিনা লাক্কদৌরিবা ইভেন্ট অসিগীদমক দাইমন্দ স্পোন্সরশিপ ওইরে। কম্পেনি অসিগী এগজিবিসন ষ্টোল অনী ইভেন্ট অসিদা পীগনি। লোগোসু মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গী টিক্কেটতা য়াওগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

কেন্দিদেট ৫২ ফল লাউথোরকপদা এবসেন্ট ওই হায়রক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিটুট ওফ ওপন স্কুলিং (এন আই ও এস)না লৌবা দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন (দি ঈ আই ঈদি) কোর্সকী এগজাম মায়োক্লখিবা সগোলমাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ষ্টদি সেন্টর ওইবা কেন্দিদেট ৫২ এগজাম অসিগী ফল লাউথোরকপা মতমদা এবসেন্ট ওই হায়রক্লে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সগোলমাং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ষ্টদি সেন্টর ওইবা টিচর ট্রেনীশিংগী রিপ্রজে-ন্টেটিবশিং খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন আই ও এসনা লৌবা দি ঈ আই ঈদি কোর্সকী ওইনা চহী অসিগী জুন ১ দা পেপর ৫০২ (পেদাগোজিক প্রোসেসেস ইন ইলিমেন্টরি স্কুলস)গী এগজাম পাঙথোকখি। হায়রিবা পেপর ৫০২ অসি য়াওনা ট্রেনী টিচর ৫২ অসিনা পেপর ৫০১ অমসুং ৫০৩ সু এগজাম মায়োক্লখি। অদুমকপু এগজাম অসিগী ফল লাউথোরকপদা পেপর ৫০২ অসিদা টিচর ট্রেনী ৫২ অসি এবসেন্ট ওই হায়রকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না সেপ্টেম্বর ১ দা নোটি-ফিকেসন অমা থোক্লগা এগজাম মায়োক্লখ্রগা এবসেন্টনি হায়রকপা কেন্দিদেটশিংগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং এন আই ও এস মণিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেটরদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্লনবা খঙহল্লকখি। মসিগী মতুংইন্না কেন্দিদেটশিংনসু মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাংশিং অমদি মথৌ তাবা ইনফোর্মেসনশিং অদু মরী লৈনবশিংদা পীশিনখি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মতিক চাবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লৈরি।

এগজাম মায়োক্লখিবা কেন্দিদেটশিং অসিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা সেপ্টেম্বর থাদা এন আই ও এস মণিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর অমদি এদ্যুকেসন (এস)কী এদিসনেল দিরেক্টর উনদুনা ৱারী শানখি। মদুদা মতম খরা ঙাইননবা খঙহল্লকপদা নৎতনা অনীশুবা সিমেষ্টরগী এগজাম পাঙথোক্তিঙৈ মমাংদা অহানবা সিমেষ্টরগী এগজামগী রিজল্ট অসি অপদেট তৌগনি হায়না চীনহায় ওইনা থাজবা পীরকখি। অদুবু, অহানবা সিমেষ্টরগী এগজামগী ফল অসি অপদেট তৌরক্তিঙৈদা অনীশুবা সিমেষ্টরগী এগজাম চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোকখি। কেন্দিদেটশিং অসিনসু কোর্স অসিগী সেকেন্দ য়ারগীদমক এদমিসন অমদি এগজামিনেসন ফীশিং প্রোব্লেম লৈনা-লৈনা থীহনখি।

এগজাম মায়োক্লখ্রগা ফল লাউথোকপদা এবসেন্ট ওই হায়রক্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা কুপ্না য়েংশিনবীবগা লোয়ননা কমদৌনা শোয়রিবনো হায়বদু মীয়ামদা শেংদোকহন্নীংই। কনা অমত্তনা খন্নবীদবগী মতৌ উবা অসি পেন্দে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং চঙদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

ভারত ষ্টেজ ফোরগী গাড়ি য়োনবা থিংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি): কুমজা ২০২০গী এপ্রিল ১ দগী লৈবাক অসিগী ভারত ষ্টেজ-ফোরগী গাড়ি অমত্তা য়োনবা অমসুং রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াররোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ অসিমক্তদা ভারত ষ্টেজ-সিক্স (বি এস-৬)কী গাড়িশিং লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা ফংহনবা হৌরগনি। জষ্টিস মদন বি লোকুরনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চনা হায়খি, কুমজা ২০২০ গী এপ্রিল ১ দগী লৈবাক অসিদা বি এস - ৬কী গাড়ি খক্তমক য়োনবা য়াহল্লগনি। নুংশিৎ মোৎপগী চাং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপোদা মপান লৈবাক্কী ষ্টোল ১৫ শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল মণিপুরনা শীন্দুনা চহী অসিগী নবেম্বর ৫ দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স)কী মাংওইননা ঙসি নাওরেমথোংদগী হৌরগা উরিপোক লম্বীদা লম-তু শেংখ্রে।

লম-তু শেংবগী থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, মনিটেক্সকী মাংওইননা লম-তু শেংবগী থবক পায়খৎলক্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। লম-তু লু-নান্না থম্বা তঙাইফদে। নম্বুল তুরেলগী ঈশিং অসি মতম অমদদি চাক-ঈশিং থোংবা য়াওনা হীরম কয়াদা শীজিন্নরম্মী। অফবা ঈশিং ওইরম্মী। হৌজিক্তি ঈশিং মোৎ-শিল্লকপনা শীজিন্নবা য়াবা ফীভম ওইদ্রে। অমোৎ-অকায় মফম চাদনা লংথোকপা অসিসু লম-তু মোৎশিন্নবগী য়াম্না চাওরবা মরম ওই। অমোৎ-অকায় মফম চানা হুন্দোকপা অমদি লম-তু নান্না থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবা তাই। ইশা-ইশাগী লমদগী লু-নান্বগী থবক অসি হৌদুনা লু-নান্বা লমদম ওইহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলগী দিরেক্টর লম্লি কামৈনা হায়খি, দিপার্টমেন্ট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলনা শীন্দুনা লম্বোইখোং-নাংখোংদা লৈবা ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা নবেম্বর ৫ দগী ১৫ ফাওবা মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো পাঙথোক্লগনি। এক্সপো অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ টেক্সটাইল স্মৃতি জুবিন ইরানী অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোক্কনি। এক্সপো অসিগী মনুং চন্না লমদমসিগী ফিশাবী কয়াদা ফিশাকোন য়েন্থোক্কনি। পাৱর লূম থম্নবা শঙ অমসু শঙ্গাগনি। এক্সপো অসিগী মনুং চন্না হেন্দলূম দে, হেন্দি-ক্রাফট দে হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি। লশিংনা ফি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

লোক্তাক পাৎ কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি, লম্লক্কী শা-উচেকশিংসু কনসি : মিনিষ্টর শ্যামকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লোক্তাক পাৎকী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবশিং অমদি ঐখোয় পূম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি, লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনসি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ঙসি লোক্তাক দে সেলেব্রেসন ২০১৮ (মেরা পুর্ণিমা) গী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোল্লাখোং চীংথিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মহৌশাগী খল কায়রক্লবদি মীওইবনা খুন্দাবা য়ারক্লোই। উমং অমদি লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। লোক্তাক্কী মহৌশাগী ফজরবা শক্তমশিং কন্নবা হোৎনবদা পাৎ অসিগী অকোয়বদা তারিবা মীয়ামগী

থৌদাংসু চাওই। পাৎ অসিদা মপান লমদগী উচেক কয়া চাক্তাবা লাক্লিবনি।

লোক্তাক পাৎতা ঙা ফাবদা হূ চেনবা পোৎলম শীজিন্নবীগনু। ঙা ফাবদা হূ চেনবা পোৎলম শীজিন্নরকপা অমদি কাঙলোন কায়বা থৌওং কয়া চথুরকপা মতমদা ঙা অমদি উচেকশিংদা শোকহল্লি। লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। মপান লমদগী পাইরক্লিবা উচেকশিং অসি পাৎ অসিদা তাবগী চাং অসি ৱাংনবা হোৎনবা তাই। উচেকশিং হাৎলোই-দবনি। পাৎ অসিগী মহৌশাগী ওইবা শক্তম অদু নীংথিনা হঞ্জিল্লবদি উচেকশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মণিপুরগা ইন্দিয়াগা মুক্লবনা চৈথেং পীরি : অমোভা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অমোভা)গী ২৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট আইদিএল গার্লস কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. টি ঐচ বিনারানীনা ওইখি। পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবী অমসুং ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানীনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাই কুঞ্জরানীনা হায়খি, ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা চনৈনবা

ৱাফমশিং হায়বদি ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবগী ৱাথোক, পূন্না হিংমিন্নরিবা মণিপুরী খরনা অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপগী ৱাফম, মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশীংনা ঈশিং ঈচাও-গুম হেনগৎলক্তুনা হান্নদগী খুন্দাদুনা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী ৱাফম অসিসু মীয়ামগীদমক থবক তৌরিবা লূপশিংনা নাম্থোক্তুনা চৎপা য়াদবা ফীভম অমনি। পূম্নমক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবদা লৌদবা য়াদবা অরুবা ৱাফম ওইরক্লি। মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া অনীগী মুক্লবা অসিনা মীয়ামদা চৈথেং পীরি। মুক্লবা অসিবু মরম চুম্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা মুক্লবা অসিবু মীয়ামদগী নাথৈরগা পুননবা হোৎন-বদগী খূৎশেমগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোরক্লি। কাঙলূপ, ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা তিন্নবা য়াদনা খন্ননবা, হাৎতোক্লনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আই-এমগা ৱারী শানবদা কাঙলূপকী মরক্তা য়েক্লবা শেম্বা লেপত্রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ৱাখল তামিন্নদুনা ৱাথোক ওইরিবা থৌদোক কয়া অসি য়ারিবমখৈ থিংননবা হোৎনবগা লোয়ননা তংদু লৈতাবা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লনবা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা ঐখোয় মীয়াম পূন্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

LOAN FACILITIES AVAILABLE
- Machinery Loan
- Two Wheeler Loan
- Car/Commerical Light Vehicle Loan
- TV Loan
- Pension Loan
- Service Loan

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in
HL-B/5552/21/10-20/11